ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# ক্রোএসিয়ানা ব্রাজিলবু পেনাল্টিদা ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে

কটার,দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী): গোলকিপর দোমিনিক লিভাকোভিকনা ট্রাই ব্রেকতা স্পোট কিক্ অমা সেভ তৌদুনা ক্রোএসিয়ানা ব্রাজিলবু ১-১(৪-২)দা ঙসি এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী অহানবা সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা এক্সট্রা টাইম লোইবা ফাওবদা গোল ১-১দা দ্রো ওইখি। শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা মোদ্রিকনা কাওরকখিবা ক্রোএসিয়াগী অহানবা ফংখিবা ফ্রী কিক্ অদু ব্রাজিলগী দিফেন্দরনা লায়না ক্লিয়র তৌখি। ওইনা কন্টেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী শোট ওন টার্গেট অনীখক কাওবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা ব্রাজিলনা মাংজিল থাবা য়াবা তাঞ্জা অমা ক্রোএসিয়াগী গোলকিপর লিভাকোভিকনা নীংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি। শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী ভিনিসিয়স জুনিয়র শীন্দোক্তুনা রোদ্রিগো চঙলকখি। অদুবু নোর্মেল টাইম লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

এক্সট্রা টাইমগী অহানবা হাফকী শান্নবা লোইরমদাই নেমারনা শান্নবগী ১০৬ শুবা মিনটতা মহাক্কী রেকোর্দ মান্নহনবা ৭৭শুবা গোল চনশিন্দুনা ব্রাজিলনা মাংজিল থাখি। মহাক্কী গোল অদুনা পেলেগী মতম চুপ্পগী ওইবা গোল স্কোরিং রেকোর্দ মান্ননা থম্বা ঙমখি। নেমারনা ১৮ য়ার্দ বোক্স মতোন শান্নবগী ১১৪ শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী ব্রোজোভিককী মহুৎতা চঙলকখিবা ওর্সিকনা লেফ্ট ফ্লেঙ্কতগী লৌরকখিবা বোল অমা পেটকোভিকতা বোক্সকী মতোন্দা খায়রক্তুনা লৌবা অহানবা রোদ্রিগোনা কাওরকখিবা স্পোট কিক্ অদু লিভাকোভিকনা সেভ তৌবা ঙমখি। কেসিমেরো অমদি পেদ্রো অনীনা ব্রাজিলগী গোল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুগা ক্রোএসিয়াগী মায়কৈদগী পেটকোভিক, মজের, মোদ্রিক অমদি ওর্সিকনা গোল ওন্থোক্তুনা ব্রাজিলবু ৫-৩ দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।





অহানবা হাফকী শান্নবগী মিনট ২০ ফাওবদি ব্রাজিলগী ভিনিসিয়স জুনিয়র অমদি নেমার অনীনা ক্রোএসিয়াগী পেনাল্টি এরিয়াদা বোল হেন্না পায়দুনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা য়েংদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনটখরখক ৱাংলিঙৈফাওবা টিম অনীনা য়াম্না টাইটদগী লৌরকখিবা বোল অদু পাকিতাগা ৱান-টু-ৱান পোজিসনদা নাথৈরম্লগা গোলকিপর লিভাকোভিকপু লৈরগা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

এক্সট্রা টাইমগী অনীশুবা হাফকী বোল অমা পেটকোভিকনা থুনা-য়াঙনা পুশিন্দুনা ওইগী খোঙনা গোল তম্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গোলকিপর এলিসননা ফাবা ঙমহৌদনা নেট শোক্তুনা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা ব্রাজিলগী

## মোরোক্কো অমদি পোর্টুগল, ইংলেন্দ অমদি ফ্রান্স সেমীফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনরগনি

কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী লোইশিনখ্রবা মতুং সেমীফাইনেলগীদমক মোরোক্কো অমদি পোর্টুগলনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮.৩০দা অল থুমামা ষ্টেদিয়মদা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। টিম অনী অসিনা শান্নগদৌরিবা অসি ৱর্ল্ড কপতা থেংনবা অহুম্লকশুবা ওইগদৌরি।

মোরোক্কোনা প্রি ক্বার্টরদা স্পেনবু টাই ব্রেকতা ০-০ (৩-০)দা অদুগা পোর্টুগলনা স্বিটজরলেন্দবু ৬-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অমরোমদা, ইংলেন্দ অমদি ফ্রান্স অনীনা সেমীফাইনেলগী মফম কন্নবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল থাংজ নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০দা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

টিম অনী অসি মখোয়-মখোয়গী গ্রুপকী মকোক ওইদুনা প্রি ক্বার্টর চঙলকখি। অদুগা প্রি ক্বার্টরদা ইংলেন্দনা সিনেগলবু ৩-০ অদুগা ফ্রান্সনা পোলেন্দবু ৩-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

**QUARTER FINAL FIXTURE**

| | | |
|---|---|---|
| Morocco vs Portugal | 10 December | (8:30 PM) |
| France vs England | 11 December | (12:30 AM) |

১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# ঈ এস য়ু অমদি ৱাই দব্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিস য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খৈনা আই সী এস এ ইরেংবমবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাঙ্খৈ টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সুল্টানা, কেপ্টেন ইরোম প্রমেশ্বরী অমদি মোইরাংথেম মন্দাকিনীনা শান্নবগী ৩৭, ৫৮ অমদি ৬৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা দি য়ং ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) লংথবালনা য়ুঠ ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) থম্বালখোংবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস লিন্দা কোমনা শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা লংথবাল টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। তোইজম থোইবীসনা চনুনা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল অদুগা হৈগ্রুজম দয়ানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৮ অমদি ৭৯ শুবা মিনটতা গোল ২ অমদি লাইশ্রম রেজিয়ানা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি।

থম্বালখোং টিমগী মেলোদি ৱাংখৈরাকপমনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা লংথবাল টিমগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ লোইশিনখ্রে

# আই য়ু এফ সী সেকমাইনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরকপা ৫শুবা মনি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি গ্রুপকী লীগ ঙসি সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা আই য়ু এফ সী সেকমাইনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ওক্টোবর ১৪দগী হৌদুনা পূন্না টিম ১৬না গ্রুপ অনী থোক্তুনা চথরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা আই য়ু এফ সী সেকমাইনা সলাম জুভেনাইল ক্লব (এস জে সী)বু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

সেকমাই টিমগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এল লেম্বা অমদি টি সেখরনা অনীশুবা হাফ শান্নবগী ৫৪ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এস ঐচ জয়না সলামগী ৱাই তাইবংঙানবা, এল রোজিৎ, অবিদ খান অমদি সেকমাইগী এ শিতলজিৎপু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা চহী অসিগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপর দিভিজনগী চেম্পিয়ন এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই, ফর্ষ্ট দিভিজনগী আই এফ সী লম্ফেল, সেকেন্দ দিভিজনগী জুভেনাইল ক্লব তেরা সাপম লৈরক অমদি থর্দ দিভিজনগী আই য়ু এফ সী অৱাং সেকমাইদা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিংনা ট্রোফি খূৎশিন্নখি।

মমাং চহীগী চেম্পিয়নশিপ সুপরগী পাময়াল পাৎসোই, ফর্ষ্ট দিভিজনগী এস এফ সী তেরা, সেকেন্দ দিভিজনগী কে ৱাই সী খুরখুল অমদি থর্দ দিভিজনগী সোয়ো সঞ্জেনবমদা রেপ্লিকা ট্রোফিশিংসু লান্থোকখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা পি দব্লিয়ু দিগী এদিসনেল চীফ এঞ্জিনীয়র ৱাই জয়কুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু মোবিচানা থৌরম মপূ অদুগা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি এল দেবেন, স্পেসল কন্ট্রেক্টর পি শঙ্কর, দোনর এস বিরচন্দ্র, এল মণিহার, কে (ওংবী) জামিনী অমদি ঐচ বুধনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম য়ু ইন্টর কোলেজ শুটিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখ্রে

# মোরাম্বা, অর্বিন্দ, সোফিয়া, সোনিয়ানা গোল্ড লৌখ্রে





ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচএনএস): রিজনেল কোলেজ লিলোংনা শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ শুটিং চেম্পিয়নশিপ ঙসি খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জদা মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম রাচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা কোলেজ ৮দগী লাকপা শুটর নুপা ৯ অমদি নুপী ৫ পূন্না শুটর ১৪না শরুক য়াখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী নুপাগী কাঙলূপ্তা মণিপুর কোলেজগী য়ুম্নাম মোরাম্বনা পোইন্ট ৪০০গী মনুংদা ৩৫৩ ফংদুনা গোল্ড অদুগা বিরমঙ্গোল কোলেজগী জ পিটর অসেমনা পোইন্ট ৩৩২ ফংদুনা সিলভর অমদি কোলেজ অসিমক্কী নাওরেম সোনা মৈতৈনা পোইন্ট ৩২১ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গর্লস কোলেজগী পুখ্রম্বম সোফিয়ানা পোইন্ট ৩২০ ফংদুনা গোল্ড অদুগা কোলেজ অসিমক্কী নামোইজম সোনিকা অমদি গ্লোরি ঙাঙোমনা পোইন্ট ২৯৭ অমদি ২৬০ ফংদুনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংখি।

মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী আর্বিন্দ ইঙুদমনা পোইন্ট ৩৮৪, সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজগী থেলফোমসাং খালিংনা পোইন্ট ৩৭৯ অমদি ভিবগ্যোর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী থোকচোম তেলহৈবা মৈতৈনা পোইন্ট ৩৬৯ ফংদুনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা মণিপুর কোলেজগী ঙাসেপ্পম সোনিয়ানা গোল্ড অমদি এস এস জি জি জি কোলেজগী সোইবম চিংলেম্বী চনুনা সিলভর ফংখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা রিজনেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এম মেমতোম্বীনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

## অম্ফানা শান্নরোয় ৪০ অনীশুবা ফেজগী খনখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচএনএস): এ আই এফ এফনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৬শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩গী মণিপুর টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগী অনীশুবা ফেজগী ওইবা কোচিং কম ট্রায়লগীদমক শান্নরোয় ৪০ ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা খনখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা ৫, দিফেন্দরদা ১৪, মিদফিল্ডরদা ১৪ অমদি ফোরৱার্দতা ৭নি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা টিম মেনেজর অমদি কোচতা থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ৮দা মশা-মশাগী ফোরেন পাসপোর্টকা লোয়ননা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা অম্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

## ফাইনেল মীজরমেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচএনএস): অপূনবা ফিটনেস সেন্টরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জকী ফাইনেল মীজরমেন্ট থা অসিগী ১১গী অয়ূক পুং ৯দগী ১২ ফাওবা নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা সেন্টর অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভিনর রোমি য়েংখোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মজারুন বিবি ট্রোফি থর্দ দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

## সনরাইজ ক্লব, য়ু পি সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা মজুমদার বিবি ট্রোফি থর্দ দিভিজন লীগ ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা সনরাইজ ক্লব কদমটালা অমদি য়ু দি সী উচাথোল ৩-৩ দা দ্রো ওইখ্রে।

সনরাইজ ক্লবকী গোলশিং অদুনা লেনিন, মিন্থাং অমদি কেলেফনা শান্নবগী ৫, ৫৬ অমদি ৮০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। য়ু পি সীগী গোলশিং অদুনা জেমসনা শান্নবগী ৬৭ অমদি ৭৩ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা লৌরেম্বম থোইবনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৫না শরুক য়ারি। হৌদোকপগী থৌরমদা ওল জিরিবাম এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত অমদি জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল রঞ্জিৎকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রোফি অসি সোনাপুরদা লৈবা দিলবহারুদ্দিননা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মমাগী মিংদা কৎচবা ট্রোফিনি।

## কিক বোক্সিংগী গোল্ড মেদলিষ্ট ৫ ওকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচএনএস): থাইলেন্দগী পাটায়াদা থা অসিগী ২দগী ৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল অর্বান গেমস কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা ষ্টেটকী কিক বোক্সর মঙা অমদি কোচ ঙসি সোসিও ইকোনোমিক এথলেটিক্স এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না শীন্দুনা য়াইস্কুল জন্মস্থানদা লৈবা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি রাজকুমারী নিংথেনু (কেজি ৪৫), সরুংবম প্রিয়াকান্ত (কেজি ৪৫), আর কে নেলসন (কেজি ৬৩), সরুংবম জুলিয়া (কেজি ৬০) অমদি আর কে রোমেশ (কেজি ৫৬) নি। অদুগা কোচ অদুনা সরুংবম উমাকান্তনি। মখোয় মঙামক ফুল কন্টেক্ট ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা শান্নরোয়শিং অমদি কোচতা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।


SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7933/4/12-3/02

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS
> SEKMAI, MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7893/13/12-12/1

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 654**

E. L'Ami (2581) - W. Spoelman (2424)
Corus B Wijk aan Zee NED (11), 2008.01.25

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.c4 b6 | 3.d4 e6 | 4.Nc3 Bb7 |
| 5.a3 d5 | 6.cxd5 Nxd5 | 7.Qc2 Nxc3 | 8.Qxc3 Bd6 |
| 9.Bg5 f6 | 10.Bh4 Nd7 | 11.e3 Qe7 | 12.Bb5 c6 |
| 13.Bc4 b5 | 14.Be2 b4 | 15.Qb3 c5 | 16.O-O Bd5 |
| 17.Bc4 Bxc4 | 18.Qxc4 Nb6 | 19.Qa6 bxa3 | 20.bxa3 O-O |
| 21.Bg3 Bxg3 | 22.hxg3 Rac8 | 23.Rfc1 c4 | 24.Nd2 Rc7 |
| 25.Ne4 Rfc8 | 26.Qa5 Nd5 | 27.Nc5 c3 | 28.Rab1 f5 |
| 29.Qa6 Rc6 | 30.Qd3 Rb6 | 31.g4 fxg4 | 32.g3 Qf6 |
| 33.e4 Rf8 | 34.Rf1 ... | | |

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 653 Ans. :**
28. Qb6 Be6 29. Qb5
Your moves: 29. Qd6
Qd1 30. f3 Qe1 31. Qxe5 Bd7 32. Qg7# Damiano's bishop mate
1-0

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for
CLASS -X (BOSEM) CLASS -IX & X (BOSEM)
15th December, 2022 3:30/4:30pm-7:30pm
2nd week of February, 2023 3:30/4:30pm-7:30pm
Our Position Holders of HSLC Exam 2022
1st POSITION 3rd POSITION 8th POSITION 18th POSITION



Laishram Rahul · Meneka Huidrom · Moirangthem Rex Singh · Chingakham Italy Meitei
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/5089/2/12-30/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com